# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ঙসি য়ু পি গী মাঘারদা লৈবা কবিরগী মাজারদা চাদর কৎকনি



**গোরাখপুর, জুন ২৭ ঃ**
কবির অমসুং মুণি অমা ওইরিবা কবির দাসকী লৈখিদবগী চহী ৫০০ শুবগী থৌরমদা উত্তর প্রদেশকী মাঘারদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংগনি অমসুং মাঘারদা রিছার্স ইন্সটিট্যুট অমগী যাত্রা হুনগনি।

ন্যু দিল্লিদা থোকপা ওফিসিয়েল ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টরনা কবিরগী মাজার অদুদা চাদর অমা কৎকনি হায়রি।

মহাক্লা সন্ট কবিরগী কেভতা চৎকনি অমসুং কবির একাদমি অদুগী ফাউন্দেসন ষ্টোন অদুদা প্লেক অমা মাইখুম হাংদোক্কনি। লীংখৎকদৌরিবা কবির একাদমি অদুনা শক্লাইরবা সেন্ট অদুগী পাউতাক অমসুং ফিলোসোফিগী মতাংদা রিছার্স তৌগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়রি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা রেডিওদা পীবা মহাক্কী থাগী ওইবা 'মন কি বাট' তা প্রাইম মিনিষ্টরনা ১৫ শুবা চহীচাগী কবি অদুনা সুপরষ্টিসনশিং থাজদনবা মীয়ামদা পীরম্বা মমল য়াম্লবা দান অদু নীংশিংখি।

মাঘারদা পুন্সি লোমখিবা মীওইশিং স্বর্গ য়ৌবা ঙমদে হায়বা মীয়াম্না চেৎনা থাজনবা লৈরবসু কবির দাসনা মাঘার হায়রিবা মফম অসিদা মহাক্কী পুন্সিগী অরোয়বা স্বর হোনবা পামখি।

কুমজা ২০১৪ দা প্রাইম মিনিষ্টরনা গোরাখপুরদা লৈবা গোরখনাথ পীথদগী মহাক্কী মেসেজ পীখ্রবসু হন্দক্তি মহাক্লা কবির দাসকী নির্বান স্থলিদগী মেসেজ পীগনি হায়না বি জে পি গী জোনেল ভাইস প্রসিদেন্ট সত্যন্দ্র সিংহনা হায়খি। কবির দাস লৈখিদবগী চহী ৫০০ শুবগী হয়েং পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা চাউরাক্লা মীওই লাক্ষ ২ রোম তিল্লবা য়াই হায়না মহাক্লা হায়খি।

মীফম অসিগীদমক উত্তর প্রদেশকী দিষ্ট্রিক্ত তরেৎতা লৈরিবা মীয়ামদা পার্টি ৱার্করশিংনা পাউজেল পীখ্রে। চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা গোরাখপুর এয়ারপোর্টতা প্রাইম মিনিষ্টরবু ওক্কনি। লুচিংবা অনী অসিনা হেলিকোপ্টর অমদা মাঘার তান্না চৎকনি হায়না বি জে পি দিষ্ট্রিক্ত য়ুনিট প্রসিদেন্ট জর্নাদন টিৱারিনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিগীদমক লৌখৎলিবা থৌরাংশিং চীফ মিনিষ্টর মশামক্লা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা সন্ট কবির নাগর এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসিয়েলশিং, পার্টি লুচিংবশিং অমসুং ওফিস বিয়াররশিংগসু মীফমশিং পাঙথোকখ্রে।

কবির দাসকী নীংশিং খুভম অদুগী অকোয়বদা প্রাইম মিনিষ্টরবু পুগনি। মহাক্লা লুপা ক্রোর ২৪ রোম চঙনা শাগদবা রিছার্স ইন্সটিট্যুট-সন্ট কবির একাদমিগী ফাউন্দেসন ষ্টোনসু য়ুংগনি। মীগা-মীগা খেন্নবা লৈতে, পুম্নমক চপ মান্নে হায়না কবির দাসনা লৌরম্বা ফিরেপ অদুগুমনা প্রাইম মিনিষ্টরনসু মীয়াম মরক্তা নুংশি-চান্ননা লৈননবা পাউজেল অমা পীগনি হায়না বি জে পি দিষ্ট্রিক্ত য়ুনিট প্রসিদেন্ট টিৱারিনা হায়খি।

# নোর্থ কোরিয়ানা হৌজিকসু ন্যুক্লিয়ার সাইটতা খোঙলৈ থুনা শেমগৎ-শাগৎলি ঃ মোনিটর



**সিওল, জুন ২৭ ঃ**
সিঙ্গাপোর সম্মিটতা কোরিয়ান পেনিন্সুলাবু ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই লৈতবা লমদম ওইহন্নবা মেপ অমা লাওথোকখ্রবসু নোর্থ কোরিয়ানা মখোয়গী ন্যুক্লিয়ার রিছার্স ফেসিলিটিদা খোঙলৈ থুনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবকশিং চথরি হায়না ঙসি মোনিটর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উন গা থা অসিগী অঙনবদা শীঙ্গাপোরদা ইতিহাসিক ওইরবা সমিট অমা পাঙথোকখিবদা হায়রিবা ন্যুক্লিয়ার লৈহন্দনবগী পান্দম অদোমদা থবক চথগনি হায়না ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই পায়রবা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা অদুনা ৱাশকখিবনি।

শীঙ্গাপোরগী মীফম অদুনা লেপ্নখিবদা ন্যুক্লিয়ার লৈহন্দবা হায়বগী ৱাহন্থোক অদু ময়েক শেংখিদে। মসিদা নত্তনা নোর্থ কোরিয়াগী লৈরিবা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিংগী পুক্কে শীদোক্নবগী অকক্নবা মতমসু লেপখিদে।

য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা হৌখিবা চয়োলদা মসি মপূং ফাবা দিন্যুক্লিয়ারাইজেসন অমা ওইরগনি অমসুং মদু হান্ননা থবক চথবা হৌখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু হন্দক্তা ফংখিবা সেটিলাইট ইমেজরিনা নোর্থ কোরিয়াগী মরু ওইবা য়োংবিয়োন ন্যুক্লিয়ার সাইটতা হৌজিক হৌজিক থবক চথবতা নত্তনা মফমদুদা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শাগৎপগী থবকশিংসু চথবগী শক্তমশিং উখি হায়না ময়াম্না য়াম্না থাজনরিবা ৩৮ নোর্থ ৱেবসাইটনা হায়খি।

জুন ২১ দা লৌবা কম্মর্সিয়েল সেটিলাইট ইমেজরি অদুনা য়োংবিয়োং ন্যুক্লিয়ার সাইন্টিফিক রিছার্স সেন্টরদা য়াম্না খোঙলৈ থুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শাগৎপগী থবক চথবদু উৎলি।

রিছার্স সেন্টর অদুগী য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্ট প্লান্টতা মখা তানা ওপরেসনশিং চথরি, সাইট অদুদা ইঞ্জিনিয়ারিং ওফিসার অমসুং ন্যুক্লিয়ার রিয়েক্টর অমা থল্লিবা বিল্ডিং অমগী দ্রাইবৱে অমা য়াওনা অনৌবা ইন্সতোলেসন কয়ামরুমদা থবক চথরি হায়না ৱেবসাইট অদুনা হায়খি।

অদুমকপু সাইট অদুদা মখা তানা ওপরেসনশিং চথবা অদু নোর্থ কোরিয়ানা দিন্যুক্লিয়ারাইজ তৌনবগী ৱাশক অদুগা মরী লৈনৈ হায়নদি উরোইদবনি হায়না ৱেবসাইট অদুনা হায়খি।

ৱেবসাইট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকপদা পিওংয়াংদগী চপ চাবা অকক্নবা ওর্দরশিং পীরকক্ত্রিবা ফাওবা ন্যুক্লিয়ার ওফিসিয়েলশিং অদুনা মহৌশা হান্নগুম মখোয়গী থবক অদুম্মক তৌখিগনি হায়খি।

# মিজোরাম ষ্টেট লোট্টরিদা সি বি আই ইনক্কারি দিমান্দ তৌরি

**আইজোল, জুন ২৭ ঃ**
মিজোরাম ষ্টেট লোট্টরিদা য়াম্লবা শেনফম মাঙহনখ্রে হায়না মরাল শীরদুনা ওপোজিসন মিজো নেস্নেল ফ্রন্টকী য়ুঠ ৱার্কর্রশিংনা সি বি আইবু ইনক্কারি তৌহন্নবা ঙসি দিমান্দ তৌখ্রে।

সি বি আই গী ইনক্কারি চথবা অমসুং ফার্ম কয়াদা লোট্টরিশিংগী পীরিবা কন্ট্রেক্ট মতম শাংদোকপা ককথৎনবা দিমান্দ তৌদুনা ইন্সটিট্যুস্নেল ফাইনান্স অমসুং ষ্টেট লোট্টরিগী ওফিস মমাঙদা নহারোলশিং অদুনা রেলি অমা পাঙথোকখি।

টেন্দর তৌদুনা ফার্ম মরিগী মতম অদু অনীরক হন্না শাংদোকহনখ্রে হায়না মখোয়না মরাল শীরি।

# নিরব মোদি থিবদা তেংবাংনবা লৈবাক অহুমদা চে ইখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জুন ২৭ ঃ**
হৌজিক লৈবাক অসি থাদোক্তুনা মীচেন ওইনা লৈরিবা জ্বেলর নিরব মোদি থিবদা অমসুং মহাক্কী চখোক-চৎশিনদা অথিংবা থমবদা তেংবাংনবা ইন্দিয়ানা য়ুনাইটেদ কিংদম, ফ্রান্স অমসুং বেলজিয়মদা চে ইদুনা হায়জখ্রে।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা লৈবাকশিং অদুদা চেরোল অমা ইদুনা খঙহনখ্রে অমসুং লৈবাকশিং অদুদা লৈরিবা ইন্দিয়ান মীসনশিংনা গভর্ণমেন্টশিং অদুদা দিপ্লোমেটিক নোট অমা পীশিনখ্রে হায়না লীখুনশিংগী ৱাফম পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়রি।

লৈবাক অহুমদা ইন্দিয়ানা অসুম্না হায়জখিবা অসি মসিনা অহানবা নত্তে। মুম্বাইগী স্পিসিয়েল কোর্ট অমনা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সিশিংবু য়ুনাইটেদ কিংদমদগী নিরব মোদিবু এক্সট্রাদিসন তৌনবা প্রোসেস হৌনবা থবক চথবা য়াহনখ্রে।

লুপা ক্রোর ১৩,০০০ রোমগী চাওরবা শেনফম লান্না শীজিন্নবগী মরাল শীরিবা বিল্লিয়নর অসিবু এক্সট্রাদিসন তৌনবা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা কোর্টকী অয়াবা পীবীনবা হায়জখ্রবনি। মপান লৈবাক্তা লৈবা বেঙ্কশিংদগী লোনশিং ফংনবা, লৈবাকসিগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা গভর্ণমেন্ট বেঙ্ক ওইরিবা পঞ্জাব নেস্নেল বেঙ্ক (পি এন বি) গী মিংদা নিরব মোদিনা ফেক গরেন্টিশিং ইশু তৌখিবনি।

ইনভেষ্টিগেতরশিংনা মহাক হৌজিক য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈ হায়না থাজরি। মহাক লৈবাক অদুদা পোলিটিকেল এসাইলম লৌরম্বা য়াই হায়রি।

সি বি আই না মনি লোন্দরিংগী মরালশিংদা ইনভেষ্টিগেসনশিং চথবা হৌরক্ত্রিঙৈগী চয়োল খরগী মমাঙদা চহী অসিগী জনুৱারী থাদা ক্রাইম অসিদা চেন্নরিবা নিরব মোদি অমসুং মহাক্কী অনকলসু থোকপা ব্যুজিনেস পার্টনর মেহুল চোকসিনা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চেনখিবনি।

নিরব মোদিগী পাসপোর্ট অদু ইন্দিয়ানা ককথৎলে হায়দুনা ফেব্রুৱারী ২৪ দা ইন্টরপোলদা খঙহনখ্রবা ফাওবদা মহাক্লা লৈবাক কয়ামরুমদা চৎনবা হোৎনখি হায়না সি বি আই না হায়খি।

য়ুনাইটেদ কিংদমগী মতুং ইন্না নিরব মোদিনা ফেব্রুৱারী ১০ দা ন্যুয়োর্কতগী লন্দনদা, ফেব্রুৱারী ১৫ দা হোং কোংদগী লন্দনদা, মার্চ ১৫ দা লন্দনদগী হোং কোংদা, মার্চ ২৮ দা ন্যুয়োর্কতগী লন্দনদা অমসুং মার্চ ৩১ দা লন্দনদগী পেরিসতা পাইনবা পাসপোর্ট অদু শীজিন্নখি হায়রি।

ফেব্রুৱারী ১৫ দা সি বি আই না নিরব মোদিগী পাসপোর্ট অদুগী মতাংদা ইন্টরপোলগী খুথাংদা নোটিশ অমা থোকখ্রবনি অদুবু বেলজিয়ম অমসুং য়ু এস তা লৈরিবা ইন্টরপোল ব্রাঞ্চশিংনা কোওপরেট তৌরকখিদে হায়রি।

# পেট্রোলিয়ম রিজার্ব অনী এপ্রুপ তৌখ্রে

**মুম্বাই, জুন ২৭ ঃ**
য়ুনিয়ন কেবিনেটনা পুন্না কেপাসিটি টন মিলিয়ন ৬.৫ ওইগদবা মরু ওইবা পেট্রোলিয়ম রিজার্ব অনী লীংখৎনবা ঙসি অয়াবা পীখ্রে হায়না ইন্টরিম ফাইনান্স মিনিষ্টর পিয়ুশ গোয়ালনা হায়খ্রে।

গভর্ণমেন্টনা ওরিষ্যাগী চান্দিখোলদা টন মিলিয়ন ৪.৪ অমসুং কর্নাটকাগী পাদুরদা টন মিলিস ২.৫ কী ফেসিলিটি অনী লীংখৎলগনি।

# জর্নেলিষ্ট বুখারি হাৎপা মশক খঙলে

**শ্রীনগর, জুন ২৭ ঃ**
জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী শ্রীনগরদা জর্নেলিষ্ট সুজাট বুখারিবু হাৎখিবগী নুমিৎ খরনিগী তুংদা মাবু হাৎখিবা মীহাৎপা অহুমগী মশক মমিং পুলিসনা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

মীহাৎপা অহুম অদুগী মনুংদা অমদি পাকিস্টানিনি অমসুং মহাক লাসকর-ই-তাইবাগী টেরোরিষ্ট অমনি। অতোপ্পা অনী অদুনা মফম অসিগী মীওইশিংনি হায়না পাউগী লীখুনশিংনা ফোঙদোক্লি। ইফতার পার্টি অমগীদমক সুজাট বুখারিনা মাগী ওফিসতগী হেক থোক্লকপদা জুন ১৪ দা টেরোরিষ্টশিংনা মহাকপু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

# ঝর্খন্দদা ত্রাইবেলশিংনা পুলিসমেন ৩ ফাখ্রে

**রাঞ্চি, জুন ২৭ ঃ**
হৌখিবা চয়োলদা হ্যুমেন ট্রাফিক্কিং এৱ্যার্নেস কেম্পেন অমা চথখিবা এন জি ও আশা কিরনগী নুপী মঙা য়াওনা এক্টিভিষ্ট ১১ বু ফাখিবা অমসুং নুপীশিং অদুবু রেপ তৌখিবদা চেন্নবশিং ফানবা পুলিসনা ঝর্খন্দগী খুন্টি এরিয়াগী খুলশিংদা ওপরেসন চথবা হৌখ্রবগী তুংদা ত্রাইবেলশিংনা পুলিসমেন অহুম ফাখ্রে। পুলিসমেনশিং অদু বি জে পি লোমেকর কারিয়া মুন্দাগী সেক্যুরিটি পার্সোনেলনি হায়রি।

# ট্রিপুরা ঃ মাঙখিবা চহী ১১ গী অঙাং শিনা ফংখিবদা মীয়ামগা পুলিসকা খূৎ থোক্নখ্রে, পুলিসমেন ৭ শোকখ্রে

**আগরতলা, জুন ২৭ ঃ**
ৱেষ্ট ট্রিপুরা দিষ্ট্রিক্তকী মোহনপুর তাউনদা লৈবা জঙ্গল অমদগী মশাগী চহী ১১ শুরবা অঙাং নুপামচা অমা ঙরাং নুমিদাং অশিবা হকচাং ওইনা ফংখ্রে হায়না পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পুর্না বিস্বাস কৌবা অঙাং অদু ট্রিপুরাগী কোনুং অগরতলাদগী কিলোমিটর ২৭ রোম লাপ্পা ভুমিহিন কোলোনিদা লৈবা মাগী ময়ূমদগী ঙরাং লৈবাকপোকপগী নুমিদাং পূং ৬ লোম তাবদগী থিবা খঙদনা মাঙখিবনি। পূং ৪ রোম থিরবা তুংদা মহাক্কী য়ূমদগী মিটর ৫০০ রোম লাপ্পদা মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু ফংখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

মহাকপু থাঙনা লেনথৎলগা হাৎপা ওইরম্বা য়াবগী মওংদা মশাদা শোকপগী দাকফমশিং তারম্মী। হীরম অসিগী মতাংদা হেন্না কুপ্পা পাউ খোমজিন্নবা পুলিসনা ইনভেষ্টিগেসন চথরি হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (পুলিস কন্ট্রোল) এস আর দাসনা হায়খি।

মফমদুগী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোকপদা নুপামচা পুর্নাবু হাৎতোক্লবা তুংদা মহাক্কী কিদনিশিং অদু লৌথোকখ্রে। মহাক্কী নঙ্গলদা থাঙনা লেনথৎপগী দাকফমশিং তারম্মী হায়খি। অদুবু হায়রিবা ৱাফম অসি পুলিসনা য়াখিদে লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনসু ৱাফম অদু অরানবনি হায়না ট্যুটরদা ফোঙদোকখি।

অঙাং অদুগী হকচাং থেংনরে হায়বা পাউ ফংলবা মতুং ফাওবদা পুলিসনা মতম থেংনা লাকই হায়দুনা খুঞ্জাশিংদুগা পুলিসকা খূৎ থোক্নখি।

খূৎ থোক্নবা অদুদা সিধাই পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসার ইন-চার্জ য়াওনা পুলিসমেন অনী অরুবা ফিভমদা শোকখি। অতোপ্পা পুলিসমেন মঙাসু থৌদোক অদুদা শোকখি। মখোয় হোস্পিটালদা পুখৎখ্রে। খূৎ থোক্নবা থৌদোক অদুদা পুলিসমেনদা নত্তনা খুঞ্জা খরসু শোকখি হায়রি।

# উংখৎনরিঙৈ চৈরক্তা চিনাগী দিফেন্স চীফ ৱৈ ফেংঘেগা পেন্তাগোন চীফ জিম মেট্টিসকা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে

**বৈজিং, জুন ২৭ ঃ**
চিনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী মরক্তা মিলিটরিগী য়েংথিনবা লৈজরবসু করি করম্বা তেংবাংনবা য়াবগে হায়বদু পুথোক্লবা পান্দমদা ঙসি বৈজিংদা য়ু এ স দিফেন্স সেক্রেটরী জেমস মেট্টিসকা চিনাগী দিফেন্স মিনিষ্টর লেপ্টিনেল জেনরেল ৱৈ ফেংঘেগা উন্নখ্রে।

চিনাদা চৎপা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎ অসিদা পেন্তাগোন চীফ অদুবু গার্দ ওফ ওর্নর অমা অমসুং য়ু এস অমসুং চিনাগী জাতিগী ঈশৈশিং শকপা বেন পার্টিশিংনা পিপলস লিবরেসন আর্মিগী হেদক্কার্টরসতা তরাম্না ওকখি।

হৌদোকপগী ৱারোলদা চিনাগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা জিম মেট্টিসকী খোঙচৎ অদুবু ঐখোয়গী লৈবাক অনীগী মরক্তা ষ্টেতেজিক্কী থাজবা হেনগৎহন্ননবা মরু ওইবা খোঙচৎ অমনি হায়না শীংথাখি।

পেন্তাগোন চীফনা চিনাগী অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা ৱারী শান্নরবা তুংদা ঙসি য়ূমশকৈশাগী অথেংবদা প্রসিদেন্ট জি জিনপিংগা উন্নগনি। এসিয়াদা লাকপা মহাক্কী নুমিৎ ৪ নিগী খোঙচৎ অসিদা রিজনেল এলাইশিং ওইরিবা সিওল অমসুং তোক্কিওদসু চৎকনি।

য়ু এস দিফেন্স সেক্রেরীগী চিনা খোঙচৎ অসিদা ওফিসিয়েল এগ্রিমেন্ট অমত্তা তৌনরদবা য়াই। লাক্লিবা খোঙচৎ অসি মখোয়গী মরক্তা লৈনরক্লিবা অশাংবা মতমগী ষ্ট্রেতেজিককী অনীংবশিং খঙনবা মহাক্লা ফম মান্নবা ৱৈ ফেংঘেগী মোত কমদৌবগে খঙবা পাম্বনি হায়না পেন্তাগোন চীফনা হায়খি।

# ম্যান্মার লান্মী লুচিংবশিং মীওইবা জাতিগী মথক্তা ক্রাইম চথবগী মরাল লৈ ঃ এম্নেষ্টি ইন্টর্নেস্নেল

**দ হেগ, জুন ২৭ ঃ**
এম্নেষ্টি ইন্টর্নেস্নেলনা ম্যান্মারগী মতাংদা ফোঙবা রিপোর্টতা লৈবাক অসিগী লান্মী লুচিংবশিং অসি মীওইবা জাতিগী মথক্তা ক্রাইম চথবগী মরাল লৈ হায়খ্রে।

য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলদা য়াংহি লীনা ফোঙদোকপদা ম্যান্মারদগী লাঞ্জেন্নখ্রবা রোহিংয়া মুস্লিমশিংবু তেক্ত-কায়দনা, ভলন্টরি ওইনা অমসুং ইজৎ লৈনা ময়ূমদা অমুক হনহলনবগী খন্নবা খুদিংমক অরেম্বা তারে হায়খি। মদুগী পাউখুমদা ম্যান্মারগী এম্বেসেদরনা য়ু এন রাইটস কাউন্সিলগী য়াংহী লী বু ৱারেপ লৌবদা মনীংমখা তম্বা ৱাৎলি হায়খি অমসুং মহাকপু মফম শিন্দোক্কদবনি হায়নসু দিমান্দ তৌখি।

এম্নেষ্টিগী রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোক্লিবদি ম্যান্মারগী রখিন ষ্টেটতা পুলিস পোষ্ট কয়াদা রোহিংয়া মিলিটেন্টশিং, অরাকান রোহিংয়া সেলভেসন আর্মিনা আগষ্ট ২০১৭ দা এটেক তৌখিবগী পাউখুমদা মিলিটরিনা ওপরেসন চথদুনা মীওই লীশিং কয়া লাঞ্জেন্নহনখি অমসুং খুল কয়া মৈনা তূমনা থাদোকখি। হৌজিক রোহিংয়া লাক্ষ ৭ রোম বাংলাদেশতা চেন্দুনা লৈরি।

ম্যান্মার মিলিটরিনা রোহিংয়া নুপীশিংদা সেক্সুৱেল ভাইওলেন্স চৈখে, ওৎপী-নৈবী, মার্কেটশিং অমসুং ফার্মলেন্দশিং মৈ থাদোকখি। মদুনা মরম ওইদুনা কম্যুনিটি অদুবু মফমদু থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নহনখিবনি হায়না মরাল শীরি।

ম্যান্মার মিলিটরিনা চথরিবা ক্রাইম অসি ইন্টর্নেস্নেল লোগী মখাদামীওইবা জাতিগী মথক্তা চথবা ক্রাইম চীংই। রিপোর্ট অসি ম্যান্মার অমসুং বাংলাদেশতা মীওই ৪০০ হেনবা উন্নদুনা ৱারী শান্নরকপগী য়ূম্ফমদা শেম্বনি। মসিদা নত্তনা সেটিলাইট ইমেজরি, ফোরেনসিক এনালাইসিস অমসুং অরোনবা মিলিটরি দোকুমেন্টশিংদসু য়ূম্ফম ওইরগা শেম্বা রিপোর্টনি। এম্নেষ্টিনা মীহাৎপগী মরাল শীরিবা মকোক থোংবা ওফিসার ১৩ গী মমিং পীরি। মদুগী মনুংদা আর্মি কম্মান্দর-ইন-চীফ মিন ওং হলাং য়াওরি।

# অমরনাথ যাত্রাগীদমক খ্বাইদগী চাওবা সেক্যুরিটিগী থৌরাং তৌখ্রে

**শ্রীনগর, জুন ২৭ ঃ**
জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা ঙসিদগী হৌরিবা অমরনাথ যাত্রাগীদমক শরুক য়ারিবা লাই খুরুম্বা লাকপা মীওইশিংবু খুদোংথিবা মখল অমত্তা থোকহন্দনবা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা সেক্যুরিটিগী থৌরাং লৌখৎখ্রে।

খা থংবা কাশ্মীরগী হিমালায়াদা লৈরিবা মিটর ৩,৮৮০ ৱাংবা অমরনাথকী কেভ স্রাইন অদুদা চহীগী লাই খুরুম্বা লাকপা খোঙচৎ অসিগীদমক হৌজিক ফাওবদা মীওই লাক্ষ অনী হেনবনা রেজিষ্টার তৌরকখ্রে।



পহলগাম অমসুং বলতাল ফাওদুনা জম্মুদগী লাক্কদৌরিবা লাই খুরুম্বগী লম্বী পরীংদা খূৎলাই পায়বা সি আর পি এফ অমসুং ষ্টেট পুলিস পার্সোনেল ৪০,০০০ হেনবনা আর্মোরদ ভেহিকলশিংদা খুরক হাংদনা মফম কয়ামরুমদা শেন্নদুনা লৈখ্রে। টেরোরিষ্টশিংনা লম্বী পরীং অদুদা য়েৎখাই থুগাইবা থোকহল্লক্তনবা মাউন্টেদ আর্মি কলমশিংনা তেংবাংবা ফোর্সশিংনা সি সি টি ভি কেমেরা ময়াম অমা অমসুং দ্রোনশিং ফাওবা দিপ্লোই তৌখ্রে।

সি আর পি এফ কী লম্বী শেংদোকপা খূৎপুশিংনা অয়ূক ঙন্তাদগী হৌরগা নুমিদাং অথেংবা ফাওবা আই ই দি শিং চেক তৌনবা লম্বীশিং অদু চেকশিন্না থিজিন-হুমজিনবগী থবক চথরি।

মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকপগী মতূং ইন্না কাশ্মীর তম্পাক্তা মতম শাংনা হিংশাগী ইরাং থোকপা মরমনা চহীগী ওইবা লাই খুরুম্বগী খোঙচৎ অসিদা শুকশোয় শোয়দনা প্রোটেক্সন পীনবগীদমক হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না চাওবা সেক্যুরিটি দিপ্লোই তৌরে হায়খি।

হৌখিবা চহীদা অনন্টনাগ দিষ্ট্রিক্টতা মীচম অমগী গারীদা মিলিটেন্টশিংনা এটেক তৌরকপদা লাই খুরুম্বা চৎপা মীওই ৮ শিখিবা অমসুং অতৈ কয়া শোকখিবা অদুদগী পারা তমহৌরগা অহানবা ওইনা হন্দক্কী চহীদদি গারীশিংদা আর এফ আই দি টেগ পাল্লে। মসিনা গারীশিং অদুবু মোনিটর তৌদুনা অশোয় অঙাম থোক্তনবা কুপশেন -শেন্নবা ঙম্লগনি হায়রি।

# GAS TODAY

**Manipur Gas**
Booking : 01/05/18
Valid : 28/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 04/06/18
Valid : 28/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Lamsang Gas**
Booking : 07/06/18
Valid : 04/06/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 26/05/18
Valid : 22/05/18
Stk : 576
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 16/06/18
Sl. No. 200
Valid : 05/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Hiyangthang Indane**
Booking : 26/05/18
Sl. No. 120
Valid : 21/05/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 27/06/18
Valid : 15/06/18
Stk : 918
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 29/05/18
Valid : 12/05/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Yairipok Gas Service**
Booking : 08/06/18
Valid : 05/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**R B D Indane Service**
Booking : 12/05/18
Valid : 01/05/18
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 14/05/18
Valid : 05/05/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Canchi Indane Service**
Booking : 05/06/18
Valid : 27/05/18
Stk : 918
Rate : Rs. 811.50/-
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : Upto Date
Stk : 500/19kg 180

**Sawombung Indane**
Booking : 09/06/18
Valid : 02/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**BD Gas, Chandel**
Booking : 24/05/18
Valid : 20/05/18
Stk : 288/19kg 12
Time : 07.00 to 01.00 p.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : Upto Date
Valid : 26/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 25/5/18
Valid : 22/05/18
Stk : 306
Sl. No. 5470
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Haran Valley Gas, Kwakta**
Booking : 01/06/18
Valid : 26/05/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**সনা-সুদোকু -১২১০ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 6 | 9 | 2 | 5 | 8 | 4 | 3 | 7 |
| 5 | 2 | 4 | 7 | 1 | 3 | 8 | 6 | 9 |
| 7 | 8 | 3 | 9 | 6 | 4 | 1 | 5 | 2 |
| 2 | 7 | 1 | 6 | 8 | 9 | 5 | 4 | 3 |
| 9 | 4 | 8 | 5 | 3 | 1 | 7 | 2 | 6 |
| 3 | 5 | 6 | 4 | 7 | 2 | 9 | 1 | 8 |
| 4 | 1 | 7 | 3 | 9 | 6 | 2 | 8 | 5 |
| 6 | 9 | 2 | 8 | 4 | 5 | 3 | 7 | 1 |
| 8 | 3 | 5 | 1 | 2 | 7 | 6 | 9 | 4 |

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1211**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | | 4 | | | 6 | | | |
| 1 | 8 | | | 3 | | | | 6 |
| | | | 4 | | | 7 | | |
| 2 | | | | | | 9 | | 5 |
| | | 7 | | | 5 | | | |
| | | 6 | | 7 | 1 | | 8 | 3 |
| | | | 9 | | 3 | | | |
| 5 | | | 6 | | | | 1 | |
| | | | 7 | | | | | 4 |